# মিনিষ্টর এক্সপান্সনগী মতাংদা ইবোবী-গাইখাঙম উন্নখ্রে
# মাইনোরিটি ১দি নুপীগী মিনিষ্টর অমমম শোয়দ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল,এপ্রিল ২৬ঃ* নহানমখৈ চাওথোকপা ঙমদনা লাকপা ইবোবীনা লুচিংবা কংগ্রেস সরকারগী য়েৎনবদগী চাওথোকপা ঙমদনা লাকপা মিনিষ্টর এক্সপান্সনগী মতাংদা ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবদা চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবী অমদি হোম মিনিষ্টরগী চার্জসু পুরিবা মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙম পুন্না উন্নদুনা ৱা খন্নখ্রে।

চিফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলোদা গাইখাঙমবু কৌদুনা হাপকদৌরিবা কেবিনেট মিনিষ্টর ৮ অসিগী মতাংদা ৱা খন্নখিবনি হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউদা ৱারী শান্নবা অদুদা মাইনোরিটিগী ওইনা মুসলিম এমএলএ অমা অমদি নুপীগী রিজার্ভেসন ওইনা নুপী এমএলএ অমবু মিনিষ্টর পীবগী ৱাফম লুচিংবা অনিগী মরক্তা য়েৎনবা লৈতবনা পীবদা য়ান্নবা লৈরে হায়রি।

মিনিষ্টর এক্সপান্সনগী মতাংদা ঙসি হোম মিনিষ্টর গাইখাঙমগা উন্নবদা ফোঙদোরকখিবদা চিফ মিনিষ্টর ইবোবীগা মহাক্কা করিগুম্বা য়েৎনবা য়ানদবা অমত্তা লৈতে। হেন্না মরা চেৎপা সরকার অমা ওইহন্নবা অমদি কংগ্রেস এমএলএশিংগী মরক্তা মুক্নবা- য়েৎনবা থমদনবা কনাবু মিনিষ্টর পীগদগে হায়বগী খন্নবদা মতম চোন্থবনি।

সেন্টরগী য়াথং অমদি চিফ মিনিষ্টর অপাম্বা মতুংইন্না মিনিষ্টর হাপতোক-হাপচিন অমসুং চাওথোকপগী নুমিৎ লেপকদবনি।

সরকার অসিদা মাইনোরিটি অমদি নুপীগী রিজার্ভেসন থমগদ্রা হায়না প্রেসনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা গাইখাঙম্না ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগুম্বা জাতি কাংলুপ কয়ানা খুন্দাবা ষ্টেট অসিদা জাতি কাংলুপ খরা খরগী মীহুৎ য়াওহনবা তাবনি। সোসিয়েল হার্মোনি পুরক্নবা নুপীগী সেক্সন অমদি মাইনোরিটি সেক্সনগী রিজার্ভ তৌবা তাবনি হায়খি।

কংগ্রেস পার্টিগী ‘ৱান মেন ৱান পোষ্ট’ হায়বা লৈবনা হোম মিনিষ্টরগী চার্জসু পুরিবা গাইখাঙম্না এমপিপিসিগী প্রসিদেন্ট চার্জসু অসুম্মক পুখিগদ্রা হায়না হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা গাইখাঙমনা ফোঙদোরকখিবদা পার্টিগী প্রসিদেন্টকী পোষ্টকা মিনিষ্টর এক্সপান্সনগী ৱাফমগা মরী লৈনদে। মিনিষ্টর ওইনা পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইবসু য়াই। পার্টিগী প্রসিদেন্টকী পোষ্ট অসি এআইসিসি না লেপ্লকপা ৱাফমদা হোংদোক-হোংজিন তৌগদবনি। মিনিষ্টরগী ৱাফমনা সরকারগীনি। অদুগা প্রসিদেন্টকী পোষ্টানা পার্টিগী ওইবা মনুংগী ৱাফমনি হায়না ফোঙদোরকখি।